**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-08-2024)**

**নোং (এল) ঃ** হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী লেপ্তুনা চুরকপা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা ইম্ফালগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-ইম্ফাল সহরগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা লৈরকশিং নোংগী ঈশিং থুমজিনখিদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োকরে।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী শরুক ওইরিবা শিংজমৈদগী ককৱা ফাওবদা লৈরিবা লম্বীগী নাক-য়েৎ ঈশিংনা থুমজিনবা হৌরে। মদুগী মনুংদা ককৱাদগীনা অশেম লৈকাই ফাওবগী লম্বীগী শরুক পুম্বা ঈশিং থুমজিনখিবনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরি। হায়ৱে অসিগী ঈশিং থুমজিল্লিবা মফমশিং অসি মতম কয়াগী মমাংদগী নোং খরা হেক চুবগা অসিগুম্বা ফিভম অসি মায়োকদুনা লাকখিবনি। লেপ্তুনা চুরিবা নোং অসিনা ইম্ফাল ফাওদুনা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেল অহুম-ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরে অমসুং নম্বুল তুরেলগী ইমায় খরা হেনগৎলবসু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা চাংদি য়ৌদ্রি।

অসামদা অকনবা নোং চুদুনা খঙহৌদনা ঈচাও থোকপদগী সরকারনা গুৱাহাতি সহরদা লৈবা সরকারগী অমদি লন্নাইগী মহৈ তম্ফমশিং ঙসিদগী হয়েং ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা শজিৱাদা হাংলিবা টেম্পরেরি সেলতর হোমদা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখিবা অদুদা সেলতর হোম অদুদা লৈরিবা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মীৎয়েং চংবীনবা মুখ্য

মন্ত্রিগী পুকিং চিংশিনখি। মুখ্য মন্ত্রিগী মায়কৈদগীসু মফম অদুদা লৈরিবা অৱাৎ অপাশিং য়াওনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎনবা থাজবা পীখি হায়রি।

অমরোমদা, সরকার অসিনা নেসনেল হায়ৱেশিংদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিল্লকবা হোৎনবদা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎলি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা মনিপুর পেট্রোল্লিয়ম প্রদক্স ট্রান্সপোর্টর ফ্রেটরনিতি, রিটেল আউটলেট দিল্লরস, এল.পি.জি. দিসত্রিব্যুটর অমসুং দ্রাইভর এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগসু উন্নরবা মতুংদা সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা ফোংদোরকখিবনি। উন্নবা অদুদা থাউ অমদি গ্যাস পুবা গাড়িশিং নেসনেল হায়ৱে ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা খুদক্তগী চৎপা হৌবা হায়না য়ান্নখি।

নীংশিংবা য়াই, থাউ অমদি গ্যাস পুবা গাড়িশিং নেসনেল হায়ৱেশিংদা চৎপা লেপ্পগনি হায়না খোঙজং চংশিনখিবা লৈখিবনি।

**এরেষ্ট(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ককচিং, থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌবাল জিলাগী লৈরোংথেল পিত্রা লোক মচাদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. এস.এম.জি. অনি, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, কন্ত্রি মেদ থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল গন অমা, ঐচ.ই. থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ তরুক, এম.কে. থ্রি. এ. টু গ্রেনেদ অহুম, টিয়ার স্মোগ সেল তরুক, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১২৩, ট্যুব লোঞ্চর অমা, হেন্দ গ্রেনেট দিটোনেটর অনি, এম.কে. থ্রি. এ. টু. গ্রেনেদ দিটোনেটর অনি, বাউফেন হেন্দ সেট অমা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী কৈরক খোঙনাং মখোঙদগী আইননা থিংখ্রবা লুপ কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিব কাদর অনি পুলিসনা ফারে হায়রি। মখোয়শিং অসি ককচিং, হিয়াংলম অমসুং সেকমাইজিংগী মফমশিংদা মীয়াম অমদি সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মখোয়দগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল ফোন অমা ফাগৎখি হায়রি।

থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ব্রিক ফার্মশিং, স্কুল অমদি কলেজশিং য়াওনা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা আইননা থিংখ্রবা লুপ য়ুনাইটেদ রিভোলুস্নারি ফ্রন্ট (য়ু.আর.এফ) কী মীওই অমসু ফাবা ঙমখি হায়রি। মীওই অদুদগী মেগজিন য়াওবা পিস্টোল অমা, কাপ্পা য়ারেবা নোংমৈ মরু অহুম, দিমান্দ লেট্টর অমা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল অনিগা লোয়ননা সিম কার্ড অহুম ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

**গেমস ঃ** মথং থাগী ১৪ দগী থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদবা য়ুথ গেমস য়াওননবা মশান্না অসিদা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী ইভেন্টশিংদা মেদল ফংল্লকখ্রবা শান্নরোইশিংনা জিত কুনেদো এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরদা থা অসিগী ৮ ফাওবদা মিং পাশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

**স্পোর্টস ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-তমেংলোংগী প্রসিদেন্ট-রামা গাংমৈ লৈখিদবদা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**পিএম ঃ** বঙ্গলাদেসতা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা কেবিনেট কমিতি ওন সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা

সিতারামন য়াওনা মন্ত্রিশিং য়াওরি।

মীফম অদুদা বঙ্গলাদেসকী প্রধান মন্ত্রি-সৈখ হসিনানা প্রধান মন্ত্রিগী ফম থাদোক্তুনা লৈবাক অসিবু থাদোক্তুনা চৎখিবা অমদি আর্মি জেনরেলনা অথুবা মতমদা মরক্কী সরকার অমা শেল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুগী মতাংদসু মীফম অদুনা খন্নখি।

পনবা য়াবদি, বঙ্গলাদেসতা থবক্কী কোটাগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা অকনবা খোঙজং চংশিল্লবা মতুংদা লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাদবা ফিভম লৈবদগী বঙ্গলাদেস অমদি ভারত লৈবাক অনিগী মরক্তা নোংথক্কী অমদি রেলগাড়ি চৎপদা অথিংবা থমখ্রে।

**বঙ্গলা ঃ** বঙ্গলাদেসকী রাস্ত্রপতি-মহমাদ সহাবুদ্দিননা নেসনেল পার্লিয়ামেন্ট অসি দিজোল্ব তৌদুনা মরক্কী ওইবা সরকার অমা য়ামা থুবা মতমদা শেল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙরাং অহিং নোংয়াইদা বঙ্গলাদেসকী মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিং, সিভিল সোসাইতিগী মীহুৎশিং অমদি লান্মী অহুমগী মকোকশিং য়াওবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অথুবা মতমদা মরক্কী সরকার অমা শেল্লগা মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা সরকার অদুদা লৈঙাক্কী থৌদাং শিন্ননবা ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা মীফম অদুদা বঙ্গলাদেস নেসনেলিষ্ট পার্টিগী চেয়ারপার্সন-খালেদা জিয়া অমদি অতোপ্পা জেলদা ফাজিনদুনা থল্লিবা রাজনিতিগী লুচিংবা পুমমক জেলদগী থাদোকপদা য়ান্নবা পুরকখি।

**পেরিস ঃ** পেরিসতা চথুরিবা ওলিম্পিকক্স গেমসতা ভারতকী টেবল টেনিস শান্নরোই-মনিকা ভাত্রা শ্রিজা অকুলা অমসুং অরচানা কমটনা নুপীগী প্রি-ক্বাটর ফাইনেলদা রোমানিয়াগী টিমবু ৩-২ মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

বেদমিন্টন মশান্নগী ব্রোন্স মেদল মেটচতা ভারতকী শান্নরোই-লক্সা সৈন, মালেসিয়াগী লি-ঝি-জিয়াংগী খুৎতা মায়থিখ্রে। মসিগা লোয়ননা রেস্লিং মশান্নগী কিলোগ্রাম ৬৮ ফ্রি স্তাইল ক্বাটর ফাইনেলদা ভারতকী রেস্লর-নিশা দহিয়া নোর্থ কোরিয়া-পাক সোল বুংগী মখুৎতা মায়থিহৌরে।

ঙসি ভারতকী নুপাগী হোকি টিমগা জর্মনিগা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নগনি। মেটচ অসি ভারতকী মতমদা নুমিদাং পুং ১০ মখায়দগী শান্নবা হোংগনি। মসিগা লোয়ননা জেল্লিন থ্রোদা ভারতকী নিরস চোপ্রা নুপাগী গ্রুপ (বি) গী ক্বালিফিকেসনদা শান্নবা হৌরগনি। অদুগা কিশ্বর কুমার জেনানা গ্রুপ (এ) গী জেল্লিন থ্রোগী ক্বালিফিকেসনদা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বঙ্গলাদেসকী প্রাইম মিনিস্তর-সৈখ হসিনা ফম থাদোকপগী পাউ অমদি হৌজিক চগ্থরিবা মনিপুর বিধান সভা মীফমগী পাউশিং মরুওইবা পাউশিং ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি, বঙ্গলাদেসকী প্রাইম মিনিস্তর-সৈখ হসিনা ফম থাদোক্লল্লগা ইন্দিয়ানা চেনশিল্লকখ্রে। বঙ্গলাদেস লৈঙাক লান্মীনা পায়শিনখ্রে। ইন্টরিম গভরমেন্ট শেমখ্রে। মীয়ামনা সৈখ হসিনাগী য়ুম লুট তৌখ্রে। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল অমদি দা চাম পাউচে য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌরিবশিং লৈঙাক্কী কষ্টদিদা লৈবগা চপ মান্নে। অফ-ফত্তগী তেকচা লৈঙাকনা পুফম থোকই হায়না এম.এল.এ. রঞ্জিৎনা ঙরাং বিধান সভাগী মীফমদা ফোংদোকখিবা ৱাপম হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলক্লি।

সঙাই এক্সপ্রেসতনা-জিরি লম্বীদা প্লেন তাবা য়াবসু য়াওরি হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি পোকফমদা জিরি লম্বী ফত্তে হায়রিবদু লেন্দ কম্পেসেসনগী পেন্দিং লৈবা মফমনি, অতৈদি এরোপ্লেন তাবা য়ানা লৈ হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

দিপার্টমেন্ট তরেৎকী লুপা কোতি লিশিং ৩,২৬৯ লাখ ৯৬ লিশিং ৪ পাস তৌখ্রে। লাঞ্জেন্নরিবা মীওই লিশিং তরুক্তা স্কিল দিবলপমেন্ট ত্রেন্নিং পীখ্রে। ৯১ না মনিপুরগী মপানদা থবক পীখ্রে হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইনদা অনৌবা বিলশিং পাস তৌখ্রে। লম্বী ফত্তবগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে।

জর্নেলিষ্টশিংগী অথিংবা, অৱাবা পীবসি পুমমক্কী মাংজবনি হায়না কে. মেঘাচন্দ্রনা বিধান সভা মীফমদা পুখৎখিবা ৱাফম অসিগা লোয়ননা মদুগী পাউখুম ওইনা জর্নেলিষ্টশিংগী চাউখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলি হায়না ডা: এস. রঞ্জননা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মিজোরামগী সি.এম. মিদিয়েটর হাপখিবা লৈতে, এম.ঐচ.এনা তৌজগদবনি, ঈচাওনা মাং তাকখ্রবা লম্বীশিং শেমজিন্নবা মিনিষ্ট্রিনা ক্রোর ১৯৮ পীরক্লগনি হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যুজতা ফোংবা থেংনরে।

রোংমৈ নাগা কাউন্সিল (এন.টি.এল) না নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা চথখিবা পুং ২৪ গী বন্দনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে হায়না গানফিয়ু মেলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন তমেংলোংগী প্রসিদেন্ট-রামা গাংমৈ লৈখিদবদা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি হায়না তমেংলোং টাইমসতা ফোংবা থেংনরে।